নুপীশিংগী ওইবা টুর্নামেন্টশিং শিনবীরবদি লমদম অসিদগী অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি : মার্টিনা থোকচোম

শান্নবুংগী পাউদম-২০

জয়চান্দ লুৱাং

লমদম অসিদা ফুটবোল মশান্নবু পামজবা ইনখৎলক্লিবী নুপীমচা কয়া লৈরি। লমদম অসিগী ওইনা নুপী ফুটবোল শান্নরোয় কয়া লৈরবসু মখোয়বু য়োকখৎপীনবা ৱাৎপনা মরম ওইরগা তুং কোয়না মায় পাক্লা শান্নবা ঙমদ্রি। নুপামচাশিংগী ওইনদি মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা অপীকপদগী হৌরগা অচৌবা টুর্নামেন্ট কয়া শীন্দুনা পুক্নিং থৌগৎপীরি। অসুম্না নুপীশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিং মরাং কায়না শীনবিরগদি লমদম অসিদগী মমিং লৈরবী নুপী ফুটবোল শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি হায়না হন্দক্তা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল টিমদা শরুক য়ানবগীদমক খল্লকখ্রবী লমদম অসিগী নিঙোল ৯ গী মনুংদা অমা ওইরিবী মার্টিনা থোকচোমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ চে অসিগা অখন্ননা শান্নখিবা ৱারী অমদা চহী নৌরিবী শান্নরোয় মার্টিনানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, লমদম অসিগী মীয়াম্না নুপী শান্নরোয়বু য়োকখত্তে হায়বদি লানগনি। অদুবু নুপাশিংদা হেন্না থৱায় য়াওরিবা অসিগুম্না লমদম অসিদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংনা নুপীশিংগী খল্লগা মফম মফমদা ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকপীরবদি লমদম অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমগদবা নুপী শান্নরোয় কয়া মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি নুপীশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট অসি শীনবগী মমি উবা ফংদ্রি। মমাং মতমদসু শিনবা থেংনরক্ত্রি। মসি নুপী শান্নরোয়শিংগী ওইনদি খ্বাইদগী লাইবক থিবনি।

হীরম খুদিংমক্তা লমজিং লমতাকপীনবা অমদি পুক্নিং থৌগৎপীবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই। হায়রিবা অনী অসি য়াওদ্রবদি হীরম অয়াম্বদা মায় পাকপা ঙম্লোই। শান্নরোইশিংগী ওইনসু মখোয়বু লমজিং লমতাকপীনবা অমদি পুক্নিং থৌগৎপীবা য়াম্নমক মথৌ তাই। মীয়ামগী মীনুংশি য়াওদনা মায় পাকপা ঙম্লোই। মরম অদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না ফুটবোল মশান্নদা থৱায় য়াওজবী নুপী শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎপা মথৌ তাই।

অমরোমদা শান্নরোয়শিংনসু মতম পুম্বদা অহল লমন থক খা খঙনা চৎকদবনি। দিসিপ্লিন হায়বসি শান্নরোয়শিংগীদি খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি। শান্নবা য়াম্না হৈরবসু দিসিপ্লিন য়াওদ্রবদি তুং কোয়না মীয়াম্না মশক খঙবা শান্নরোয় ওইবা ঙম্লোই হায়না মখা তানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্লসু নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি মার্টিনা থোকচোম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা য়ৌরবুং খুনৌদগী থোকচোম সনাতোম্বা অমসুং থোকচোম ওংবী ধনমঞ্জুরি অনীগী মচা ৪ পোকচবগী মনুংদা অনী শুবনি। মহাক্কী অপোকপা সনাতোম্বসু ফুটবোল মশান্না অসি য়াম্না পাম্না হৌজরকখিবা মীওই অমনি। পীক্লিঙৈদগী হৌনা মার্টিনাসু ফুটবোল শান্নবা পামজরকখি। মহাক্লা পামজবা অদু উবদা মমা মপানসু পুক্নিং থৌগৎপীদুনা মশান্না অসিদা মায় পাক্লা শান্নবা ঙমহল্লক্লবগী অচৌবা লম্বী অমা ওইখি। কুমজা ২০১৪ দগী শান্নবা হৌরকখিবী মার্টিনা মশাগী হে শিংবনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট কয়াদা মায় পাক্লা শরুক য়াবা ফংলকখি। ষ্টেটকী থাক্তগী হৌরগা হৌজিকফাওবদা মার্টিনানা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট কয়াদা মায় পাক্লা শরুক য়াবা ঙমখ্রে অমদি লমদম অসিগী মীংচৎ কয়ারক হন্না পুরকখ্রে।

মহাক্লা শরুক য়াখিবা নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১৭ তা লমদম অসিদা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ (রন্নর্স অপ), কুমজা ২০১৬ তা ওরিষ্যাদা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ (রন্নর্স অপ) অমদি কুমজা ২০১৮ দা ওরিষ্যাদা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ (ৱিন্নর) পনবা য়াই।

ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১৭ তা বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এস এ এফ এফ-য়ু ১৫ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ (রন্নর্স অপ), কুমজা ২০১৯দা ভুতানদা পাঙথোকখিবা এস এ এফ এফ-য়ু ১৫ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ (ৱিন্নর), কুমজা ২০১৯ দা হোং কোংদা পাঙথোকখিবা য়ু-১৭ ৱিমেন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অমদি কুমজা ২০২০ দা টর্কিদা পাঙথোকখিবা য়ু-১৭ ৱিমেন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ মমিং পনবা য়াই।

সিনিয়র থাক্তা শান্নবা ঙমগদৌরিবা অসিদা কন্না হোৎনগনি: থৌদাম সুমন

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমদা নৌনা শরুক য়ারগদবা থৌদাম সুমননা মহাক্কী করিয়রদা মখা তানা অহেনবা মওংদা কন্না হোৎনদুনা লৌশিনবা য়াবা লৌশিং পুম্নমক লৌশিনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা শিংজমৈ মোংখাংলম্বীদগী হৌরকখিবী থৌদাম সুমননা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না জুনিয়র থাক্তা শান্নদুনা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী কাঙলুপ্তা কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ১১ অমসুং ১২দা নেদরলেন্দসনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড য়ুথ হোক্কী টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখি। মদুগী মখা তারকপা কুমজা ২০১৭কী জুনিয়র এসিয়া কপতসু মহাক ইন্দিয়াগী টিমদা শান্নবা ঙমখি। অদুগা থংনবা চহী ২০১৮দা বেলজিয়মগী কোনুং এন্টরেপতা জুলাই ১৪দগী ২১ ফাওবা শান্নখিবা চহী ২৩ মখাগী সিক্স নেসন হোক্কী টুর্নামেন্টতসু শান্নবা ঙমখি। হন্দক্তা টোকিওদা লোইশিনখিবা ওলিম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা শান্নখিবা মেটচ খূদিংমক বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী জুনিয়র কেম্পতা লৈনা-লৈনা শান্নমিন্নরোয় পুম্নমক্না মেটচ খূদিংমক টেলিভিজনদা থৱায় তানা মীৎয়েং তাখি।

ওলিম্পিক্সকী হৌরকপদা ইন্দিয়াগী সিনিয়র টিম অদুনা কাহেন্না ফজবা ঙমখিদ্রবসু মখা তারকপা গ্রুপকী মেটচশিং অদুদা নেদরলেন্দস, জর্মনি অমসুং গ্রেট বৃটেনগা শান্নবদা য়াম্না ফজবা ঙমখিবা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোক্লিংই। ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী গোল্ড মেদলগী মঙলান পুদুনা লাকখিবা ওষ্ট্রেলিয়াবু মায়থীবা পীরম্বনি।

কুমজা ২০১৮গী স্পেন টুরদা থৌদাম সুমননা ইন্দিয়াগী সিনিয়রগী শান্নরোয়শিংগা শান্নমিন্নবগী খূদোংচাবা ফংখি। হৌজিক্তিঃ জুনিয়রগী থাক্তগী সিনিয়র থাক্তা ইন্দিয়াগী ওইনা খল্লক্লবনিনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মেটচ খূদিংমক শান্নবা ঙম্নবগী পাঙ্গল অদু উৎপনা মহাক্কী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং ওইরি হায়খি। হোক্কী কেম্পতা হৌজিক-হৌজিক মহাক্কী মায়কৈদগী মশান্না অসিদা মথৌ তাবা স্কিলশিং অদু নীংথিনা তমহৌগনি। সিনিয়রশিংগী মায়কৈদগী খঙবা য়াবা অমদি তমহৌবা য়াবা খূদিংমক মহাক্না লেপ্তুনা লৌগনি হায়খি। কোচ জেনেক স্কোপমানগী মখাদা কান্নবা কয়া অমা ফংবা ঙম্লগনি হায়খি।

ইন্দিয়াগী টিম দেভিস কপতা ফিনলেন্দনা মেটচ ২ মাঙজিল থারি

হেলসিনকি, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী): মালেমগী ওইনা টেনিস মশান্নগী ফোর্মেট অমা ওইনা নুপাগী টিমগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা দেভিস কপতা ইন্দিয়াগী টিম ফিনলেন্দনা ৱর্ল্ড গ্রুপ ৱানগী টাইদা মেটচ ২-০দা শোথদুনা লৈরি। ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা দেভিস কপ অদুগী সিঙ্গলসকী মেটচ অনীমক ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মায় পাকপা ঙমদবা মরম্না শোথখিবনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ওইরিবা প্রজনিশ গুনেশ্বরননা অহানবা সিঙ্গলসকী মেটচ অদুদা ফিনলেন্দগী ওটো ভিরটানেনগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থীবা নংখি। অহানবা সেট অদু ভিরটানেননা গুনেশ্বরনগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা ইন্দিয়াগী গুনেশ্বরননা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মায় পাক্লনবা শান্নরকখিবা অদু গেম ৬-৬ থোইনদুনা টাই ব্রেকতা লৈখি। মদুদা সর্ভিস ফজবা হেনখিবা ফিনলেন্দগী ওটো ভিরটানেননা ৭-১দা থোইরগা মেটচ অমা মাঙজিল থারগা লৈখি।

ফিনলেন্দগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ওইরিবা ইমিল রুসোবোরিনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সিঙ্গলসকী শান্নরোয় রাম কুমার রামানাথননা লম্বা তৌনরকপদা পুং ১.৩০ হেন্না চঙনা সেট ২-০দা থোইখি। অহানবা সেট য়াম্না নক্লনা লৈরম্বদগী রুসোবোরিনা রামানাথনগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা সেট অদুসু হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা লৈরকপদগী গেম ৫-৫ মায় পাক্লখি। অদুবু ফিনলেন্দগী শান্নরোয় অদুনা থংনবা গেম অনী থোইবা ঙমখিবদগী ৭-৫দা মায় পাক্লগা ইন্দিয়াবু মেটচ ২-০দা মাঙজিল থাখি।

ঙসি অথেংবদা দবলসকী ওইনা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং দিভিস সারননা মায় পাক্ত্রগদি ইন্দিয়া টাই অদু মায়থীগদৌরিবনি।

ওল মণিপুর সেপাকটাক্রো এসোসিএসনগী জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোকখ্রে, নৌনা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ALL MANIPUR SEPAKTAKRAW ASSOCIATION
GENERAL BODY MEETING

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর সেপাকটাক্রো এসোসিএসন (এ এম এস টি এ)না শীন্দুনা ঙসি এসোসিএসন অসিগী জেনরেল বোদি মীটিং ২০২১ হৈঙাং মখা লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা নৌনা থৌ পুগদবা মীওইশিং খনবগী থবকসু পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এ এম এস টি এগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রবা কে ঐচ দোরেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিং অসি সেপাকটাক্রো মশান্নগা য়াম্না নক্লবা মরী অমা লৈনবগুম তৌই। লমদম অসিদা সেপাকটাক্রো মশান্নদা মশকনাইরবা শান্নরোই কয়া লৈ। অদুবু মফম মতম চানা পুখৎপীনবা লৈতবনা মীয়াম্না মশক খঙবা ৱাৎলি।

লমদম অসিদা হৌজিক সেপাকটাক্রো মশান্না অসি মুৎশিল্লকপগুম তৌরক্লি। মশান্না অসি অমুক মপুং ফানা হিংগৎহনবা হায়বসি মহাক্কী অমত্তা ঙায়রবা পান্দম্নি। মণিপুরদা সেপাকটাক্রো শান্নবা চহী খরা লেপ্লুরে। মসিনা মরম ওইরগা মশান্না অসি চহী নৌরিবা অঙাংশিংনা খঙবা ৱাৎলক্লি। ঙসিদগী চহী খরগী মমাংদা নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা সেপাকটাক্রো টুর্নামেন্টশিংদা মণিপুরনা মায় পাক্তুনা লাকখিবা ঙাক্তনি। মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইনা চহী মরী থৌ পুগদৌরিবা মতম অসিগী মনুংদা অমুক হন্না মশান্না অসিদা লমদম অসিগী নহাশিংগী হে শিংবা অদু লৈবাক অসিগী মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

ঙসিগী মীফম অদুনা কুমজা ২০২১-২০২৫গী ওইনা খনখ্রবা এ এম এস টি এগী থৌ পুগদবশিং অদুগী মনুংদা কে ঐচ দোরেন্দ্র, দল্লিয়ু জিতেন, পি সুন্দর, পি দুরজিৎ, এন জিরাকেশ্বর, এন গুনেশ্বর মৈতে, এ কে গোপেশ্বর, ৱাইইবোচৌবনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, দিপ্যুটি প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, জেনরেল সেক্রেটরি, ট্রেজরর, জোইন্ট সেক্রেটরি, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি, পব্লিসিটি সেক্রেটরিগী থৌ পুগদৌরি। অদুগা এগজিক্যুটিব মেম্বরদনা এন জি পেরিস, এন প্রিয়ানন্দা, দল্লিয়ু সুভাসচন্দ্র, ই শ্যামকুমার অমসুং এস য়াইফবনি।

ঙসিগী মীফম অদুগা মরী লৈননা এ এম এস টি এনা কুমজা ২০১৭-২০১৮ ফাওবগী মনুংদা ফংখিবা এচিবমেন্টশিং মীয়াম মমাংদা লাউথোক্তুনা খঙহনখি। অমদি হায়রিবা চহী অসিগী এন্যুএল রিপোর্টসু পুথোকখি। ট্রেজরর দল্লিয়ু জিতেননা চহী অসিমক্কী ওইনা পুথোকখিবা একাউন্ট ষ্টেটমেন্টগী মতাংদসু কুপ্না খন্নরবা মতুং এপ্রুভ তৌখি।

রেজিষ্ট্রার কো-ওপরেটিব সোসাইটিজ মণিপুর, য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মণিপুর অমদি মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ওবজার্ভরশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা পুন্না ৱারেপ ৭ সু লৌখি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

লম্বী পাকথোক্লবসু লম্বীগী মতাইদা গাড়ী খামজিনবনা লম্বী চাউথোকপগী কান্নবা ফংদ্রে

লম্বী ফনা য়াম্না পাকথোক্তুনা শেম-শারবসু লম্বীগী মতাইশিংদা গাড়ী খামজিনবনা লম্বী পাকথোক-চাউথোকপগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহন্দনা অদুমক গাড়ী চিনবা হায়বদু ওইরি। পোৎ য়োল্লিবা, দুকান ফল্লিবা মীওইশিংগী গাড়ী অমদি পোৎ লৈবা লাকপা মীওই কয়াগী গাড়ীশিং লম্বীগী মতাইদা অমদি দুকান মমাঙ ফাওবদা খামজিন্দুনা চখোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। অসিগুম্বা মফম চাদনা গাড়ী পার্ক তৌশিনবদগী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোক্লনবগীদমক লৈঙাক অসিনা মফম চাবা অমদা শুপ্নগী গাড়ী পার্ক তৌনবগী মফম অমা শীনবিফম থোকই। লম্বীগী মতাইদা মনা-মশিং য়োল্লিবশিংনা লম্বী চিলহন্নবগী অচৌবা মরম অমসু ওইহল্লি। মরম অদুনা এঞ্জাং-নাপী য়োল্লিবা মীওইশিংগী ওইনসু তোঙানবা মফম অমা থম্বীরগদি লম্বীদা অচৎ-অওক তৌরিবা মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি কোক্লনি। লম্বীদা মতাইদা খোঙনা চৎনবা হায়দুনা শেমগৎ-শাগৎলিবা ফুটপাঠকী লম্বীশিংদসু এঞ্জাং-নাপী য়োনশিনবা অমদি দুকান কয়া ফমজিন্দুনা দুকানগী পোৎলমশিং ফুটপাঠতা থাংদোক্তুনা থমজিনবনা মরম ওইদুনা ফুটপাঠ লৈবগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। অমরোমদা, কোভিদ লায়না লাইচৎ অসিগী মনুংদা মীওই অমগা মীওই অমগা ফুট ৬ লাপ্না লৈগদবনি হায়রবসু হায়রিবা লম্বীশিং অসিদা চৎপদদি মদুগী চৎনকাঙলোন ঙাকপদি লায়রদনা লেংজুম লেংজুম থেঙ্গায়নবগী ফিভম লৈরে।

❐ **এস কে নাওরেম, শিংজমৈ**

লীশাংশিংনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরকপা মীওইশিংগী মরক্তা ভোটনা নুংশিনদবা ওইহনগুমসি

মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় পুম্নমক য়াম্না নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরিবা ঙাক্তনি। অসুক নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরিবা ফেমিলি অমগুম মতম শাংনা লৈমিন্নরক্লিবা অসি ভোটনা মরম ওইদুনা য়াম্না চাওনা অকায়বা পীবা হায়বদু ওইহল্লে। মচিন-মনাও খৎনহনবা, তোঙান তোঙানবা ফ্লেগ য়ুংনবগীদমক মমা অমত্তগী মচা ফাওবগী মরক্তা ভোটনা মরম ওইদুনা খৎনহনবা য়াওদবসু নত্তে। ঐখোয় পুম্নমক ভোটতা শরুক য়ারোইসি হায়বদি নত্তে। ঐখোয় পুম্নমক্লা ভোটকী রাইট শীজিন্নবদি য়াই অদুবু হেঞ্জিনবদি তৌরোইসি। শা-ষণ ফাওবা ৱাইনদ্রবা মতম অসিদা ঐখোয়না নোংমৈ, থাঙ শৎনদুনা ভোটকী মতাংদা তৌনরিবসি কান্নবা লৈতে। ফেশবূক, সোসল মিদিয়াশিংদা অথিবা ৱাহে-ৱাতা কয়া শীজিন্নবসু লেপত্রি। গ্রুপ-গ্রুপ শেমদুনা ফূনবা অসিদসু নত্তনা দল-দলদসু পুলিসনা সপোর্ট তৌদুনা পুলিসসু য়াওশিনবা অসি তৌহঞ্জিনিংদে। ভোট হায়বসিদি ঐখোয়না খৎনগনি, মখোয়না খূৎ শোক্লখিগনি, নুংশিনখিনি। মরম অদুনা ঐখোয়না ভোটতা কা-হেন্না ইন্টরেষ্ট লৌবদি লানগনি। এম এল এশিংনা ৱর্করশিংদা ঘী হৈজিনবগী থৌওং তৌবীদবনসু চুমগনি। মীয়াম্বু ঙাক-শেনবীগদবা লুচিংবা মীওইশিং খনসি। মদুনা লৈবাক্কী য়াইফবা অমদি চাওখৎপা হায়বদু ওইগনি। হুন্নরবদি লৈতুম ৱাৎতে হায়বগুম্না অমনা অমগী হুন্নরগা ঙাওবনদি অফবা পোলিটিক্স হায়বদু ওইবা ঙম্লোই।

❐ **নিংথৌজম রোনাল্ডো, হৈরোক পার্ট-টু**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

বেঙ্গলুরু এফ সী অমসুং দেল্লী এফ সী দ্রো চৎখ্রে, আর্মি গ্রীন ক্বার্টর য়ৌখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী): দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ন সুপর লীগ শান্নরিবা বেঙ্গলুরু এফ সী অমসুং দেল্লী এফ সী পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা ঙরাং আর্মি গ্রীননা সুদেভা দেল্লী এফ সীবু থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি বেঙ্গলুরু এফ সী অমসুং দেল্লী এফ সীগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অদুগা দেল্লী এফ সীগী মায়কৈদগীনা অনীশুবা হাফতা ৱিলস প্লাজাগী পাঞ্জল ২না মরম ওইরগা মেটচ অদু ২-২দা দ্রো চৎখি। গ্রুপ সীদা অতোপ্পা আই এস এল শান্নরিবা ক্লব কেরলা ব্লাষ্টর্সনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌননবা মখোয়গী লেমহৌরিবা মেটচ অদুদা মায় পাক্লনবা হোৎনগদৌরি।

ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা আর্মি গ্রীননা সুদেভা দেল্লী এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অমরোমদা গ্রুপ অদুমক্কী মেটচ অমদা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী রেগ্যুলর টিম অমা ওইরিবা এফ সী গোৱানা জমশেদপুর এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখি। জমশেদপুর এফ সী মায়থীবা নংখিবা অদুনা আর্মি গ্রীনবু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী খূদোংচাবা অমা ফংখিবনি।

আর্মি গ্রীন অমসুং সুদেভা দেল্লী এফ সীগী মেটচ অদুগী অয়াম্বা মতম আর্মি গ্রীননা এটেক তৌবগী চাং হেনখি। মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা আর্মি গ্রীনগী দিপ মজুমদারনা পীরকপা বোল অমদা দিপকনা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। এফ সী গোৱা অমসুং জমশেদপুর এফ সীগী মেটচ অদু হৌবদগী এফ সী গোৱানা ফজবা হেনখিবদগী ৫-০দা থোইদুনা গ্রুপকী মকোক্তা লৈখিবদগী মখোয়সু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রনিন্দরবু এন আর এ আইগী মরিরক হন্না প্রসিদেন্ট খনখ্রে

মোহালি, সেপ্টেম্বর ১৮ (এজেন্সী): নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই)গী ঙসি পাঙথোকখিবা মীখলদা হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা লৈরিবা রনিন্দর সিংহ মরিরক শুবা ওইনা মীখল মায় পাক্তুনা প্রসিদেন্টকী থৌদাং লৌরগনি।

মরিরক শুবা টর্মগী প্রসিদেন্টকী মীখল অদুদা রনিন্দর সিংহনা শ্যাম সিংহ য়াদবপু ভোট ৫৬-৩দা য়াম্না চাওনা হেন্দুনা মায় পাকখি। মীখল অদুদা লম্বা য়াওদনা কনৱর সুল্টান সিংহবু সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা খনখি। লোয়ননা রন্দিপ মানবুনা ট্রেজররগী থৌদাং লৌহনখি। এসোসিএসন অসিগী ওইনা ভাইস প্রসিদেন্ট ৮গী মথক্তা ওরিষাগী মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ওইরিবা কালিকেশ নরায়ন সিংহ দিওবুসু সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ফেদরেসন অসিনা খনখি।

অমরোমদা, পাৱন কুমার সিংহ অমসুং শৈলা কানুগোনা নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী জোইন্ট জেক্রেটরি ওইনা থৌ পুমিন্নগদৌরি।

পনবা য়াবদি, এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইখিবা শ্যাম সিংহ য়াদবনা দেল্লী হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদু লৈন-লৈনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংগী মীখল অদু মখা তানা পাঙথোক্লনবা অয়াবা পীরকখিবনি।

ককচিং রন্নর্সনা শেলগী মতেং পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ককচিং রন্নর্সনা ঙরাং ককচিং মখা লৌদা লৈবা লৈখিদ্রবা নাওরেম য়াইমাগী মচানুপা হন্দক্তা কজাক্সটানদা পাঙথোকখিবা এম এম এ ২০২১দা ইন্দিয়াগী মহুৎশিন্দুনা শরুক য়াখিবদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙল্লকখ্রবা দিনেশ নাওরেমনা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এম এম এ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ত্রায়ল সেলেক্সনগীদমক শেম শারিবা অসিগীদমক মায়পাক্লবা তাইবং শেমবা মপুদা থৌনিখিবগা লোয়ননা শেলগী মতেং ওইনা লুপা ২১,০০০ খুৎশিন্নখ্রে হায়না লুপ অসিগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এল ইবোহল মৈতৈ খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা চিংঙারেল টেজপুরদা লৈবা পোলোই আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২০দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিয়ল ফুটসাল টুর্নামেন্ট ২০২১দা মেটচ কম্মিস্নর ওইনবা হান্না খনখিবা এল তরুনকুমারগী মহুৎতা এল ইবোহল মৈতৈনা ওইরগনি হায়না অস্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। পনবা য়াই, হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী চন্দ্রলেখা অমসুং ইমুং-মনুংনা স্পোন্সর তৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

শান্নরোয়শিং লমথাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ওরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪০শুবা জুনিয়র নেসনল খো-খো চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস টিম ঙসি মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম হিমটনা লমথাখ্রে হায়না এসোসিএসনগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

LOAN AVAILABLE
EMPLOYMENT NEWS
> IMPHAL BRANCH:- Security/Gunman-2
> SEKMAI, MOIRANG,NAMBOL,THOUBAL,KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2,2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2,Tyre fitting helper-2
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP.,
NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7056/20/8-3/9

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 233

GM Quparadze, Giga (2476) - IM Muradli, Mahammad (2449)
Titled Tuesday 29th June chess.com INT (11), 2021.06.29

1.e4 c5 2.Nf3 d6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nf6
5.Nc3 a6 6.Be2 e5 7.Nb3 Be7 8.O-O O-O
9.Kh1 Nc6 10.f4 exf4 11.Bxf4 Be6 12.Qe1 b5
13.Rd1 Qc7 14.Qg3 Ne5 15.a3 Rfe8 16.Nd4 Rad8
17.Bg5 Kh8 18.Nf5 Bxf5 19.Rxf5 Ng6 20.Bd3 Qc8
21.Rdf1 Rf8 22.Qh3 Ne5 23.Bxf6 Bxf6 24.Nd5...

QUESTION :

White to Win

Puzzle 232 Ans. :

32. ...Bxa1 33.Bd4+ e5 34.Qe6 Rxe7 35.dxe7 The white pawn attacks Black's queen, which is defending square c8 and square f8. Qxd4 36.Qf6+
36.Qc8+ Kg7 37.Qf8# Dovetail mate
36. ...Kg8 37.Qf8# Lolli's mate
33.Bd4+ e5 34.Qe6
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com